

# সনালৈবাক স্পোর্টস



খোঙনিং শোকপনা মরম ওইরগা লাক্কদৌরিবা মার্চ থা ফাওবা শান্নবা য়াওরোইদৌরিবা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরগী ষ্টার হেরি কেন

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রবী দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকী



## জোরদান অমদি ওষ্ট্রেলিয়াসু গ্রুপ বি দা মকোক মথং তাদুনা এএফসি এসিয়ান কপ ফুটবোলগী নোক আওট ষ্টেজ য়ৌখ্রে

*সারজাহ, জনুৱারি ১৬ঃ*
জোরদান অমদি ওষ্ট্রেলিয়াসু গ্রুপ বি গী মকোক মথং তাদুনা য়ুএইনা য়ুম্থু ওইরগা চংখরিবা এএফসি এসিয়ান কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

এএফসি এসিয়ান কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ বি গী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জোরদান অমসুং পেলেষ্টাইন পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী মতমশিং দা জোরদানগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখবা ঙমখ্রবসু পেলেষ্টাইনগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ পাঞ্জল চন্নদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদবদগী জোরদাননা মেটচ অহুম শান্নবদা মেটচ অনী মায় পাক্লগা অমনা দ্রো চৎলগা পুন্না পোইন্ট ৭ ফংদুনা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি। পেলেষ্টাইনগী টিম মায়থিহৌরবসু গ্রুপকী অহুমশুবা তাদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবগী খুদোং চাবা লৈরি।

গ্রুপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়ানা সিরিয়াবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীরল্লগা গ্রুপকী অনীশুবা পোজিসন তাদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়া অমদি সিরিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতমদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চখনখ্রবসু মিনট ৪০ য়ৌশিনখ্রবা ফাওবা পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা অৱর মাবিলনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। ৪৩শুবা মিনটতা সিরিয়াগী শান্নরোই ওমার খারবিননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৪শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই ইকোনোমিদিসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি। ৮০শুবা মিনটতা সিরিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা ওমার অল সোমানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২–২ দা অমুক মান্নহনবা ঙমখি।

মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ শান্নবা লোইশিনখ্রবা মতুং ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা ৩শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা টোম রোজিকনা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা সিরিয়াবু ৩–২ দা থোইরল্লগা গ্রুপকী অনীশুবা পোজিসন তাদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি। মায়থিহৌরবা সিরিয়া টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌরে।

সাউথ কোরিয়া অমসুং চাইনাসু গ্রুপ সি দা মকোক মথং তাদুনা এএফসি এসিয়ান কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি। সাউথ কোরিয়ানা ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দদা চাইনাবু ২–০ দা থোইদুনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা নোক আওট য়ৌখি। মায়থিখ্রবসু চাইনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা অনীশুবা তারগা মথংগী রাউন্দ চঙখি।



*ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চন্নবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

## স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে, ইন্দিয়াগী দবলসকী চেলেঞ্জ লোইশিনখ্রে

*মেলবর্ন, জনুৱারি ১৬ঃ*
স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, ইন্দিয়াগী দবলসকী পেয়রশিং অহানবা রাউন্দগী মেটচশিংদা মায়থিহৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা মখোয়গী চেলেঞ্জ লোইশিনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা বৃটেনগী দান ইভান্সপু ৭–৬(৭–৫), ৭–৬(৭–৩), ৬–৩ দা মায়থিবা পীরল্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

স্পেনগী রাফেল নদালনা টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়াদুনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেথিয়ু ইবদেনবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীরল্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকসু নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা য়ুএসএগী মেকেঞ্জি মেকদোনাল্ডবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৭–৫, ৬–৭(৯–১১), ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরল্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি দিভিজ সরন স্পেনগী পেয়র পাব্লো কারেনো বুষ্টা অমদি গুইল্লরমো গার্সিয়া লোপেজগী মখুত্তা ১–৬, ৬–৪, ৫–৭ দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

নুপাগী দবলসকী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমদি ফ্রান্সকী মিগুয়েল এঞ্জেল য়ুএসএগী ওষ্টিন ক্রেজিকেক অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী অর্টেম সিটাককী মখুত্তা ৫–৭, ৬–৭(৪–৭) দা মায়থিহৌখি।

ইন্দিয়াগী জিভন নেদুনচেঝিয়ান অমদি য়ুএসকী নিকোলাস মোনরোসু ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী কেভিন ক্রেৱিটজ অমদি ক্রোএসিয়াগী নিকোলা মেকটিকগী মখুত্তা ৬–৪, ৬–৭(৬–৮), ৫–৭ দা মায়থিহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অনীশুবা সিদেদ জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা ব্রাজিলগী বিট্রিজ হাদাদ মাইয়াবু ৬–২, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বদগী অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ৩শুবা সিদেদ দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকীনা স্বিদেনগী জোহানা লারসনবু ৬–১, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরমদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

রুশিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাব্লিয়ুচেনকোভানা ৯শুবা সিদেদ নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৩–৬, ৬–৩, ৬–৩ দা থোইরল্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি। য়ুএসকী স্লোনে ষ্টেফেন্সসু অনীশুবা রাউন্দদা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস থোইরল্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।



*নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবা ফেদরর*

## ইন্দিয়াগী সট্টলর সাইনা, কাশ্যপ অমদি স্রিকান্থ মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে

*কোলা লম্পুর, জনুৱারি ১৬ঃ*
চহী অসিগী অহানবা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ওইরিবা মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সট্টলর সাইনা নেহৱাল, পরুপল্লি কাশ্যপ অমদি কিদম্বী স্রিকান্থ অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ওলিম্পিক মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ৭শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা হোং কোংগী শান্নরোই জোয় জুৱান দেংবু পুং ১ হেন্না য়াম্না কন্না লম্বা তৌনরবা মতুং ১৪–১২, ২১–১৮, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা মথন্তা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা হোং কোংগী অতোপ্পা শান্নরোই পিয়ু য়িন য়িপকা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর পরুপল্লি কাশ্যপনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা দেনমার্ককী রাসমস গেমকেবু য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং ১৯–২১, ২১–১৯, ২১–১০ দা থোইরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না অনীশুবা রাউন্দদা ৬শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী এন্টোনি সিনিসুকা গিন্টিংগা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা হোং কোংগী এনজি লোং এঙ্গসপু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৭, ২১–১১ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। স্রিকান্থনা অনীশুবা রাউন্দদা হোং কোংগী ভিনসেন্ট ৱিংকি ৱোংগা লম্বা তৌনরগনি।

মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী পেয়র আস্বিনি পোনাপ্পা অমদি এন সিক্কি রেদ্দিনা হোং কোংগী পেয়র য়াও এনজি অমদি সিন য়িং য়ুয়েনবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৬, ২২–২০ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ইন্দিয়াগী মিক্স দবলসকী পেয়র প্রনভ জেরি চোপ্রা অমদি সিক্কি রেদ্দি অহানবা রাউন্দদা নেদরলেন্দসকী পেয়র রোবিন টাবেলিং অমদি সেলেনা পিয়েককী মখুত্তা ষ্ট্রেট গেম ১৯–২১, ১৭–২১ দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।



## আইএসএল জনুৱারি ২৫ দগী অমুক শান্নবা হৌরগনি

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৬ঃ*
মতম খরা লেপ্পুরবা মতুং ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আইএসএল) থা অসিগী ২৫ দগী অমুক শান্নবা হৌরগনি ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরক্লি।

লীগ অসিগী অনীশুবা হাল্ফ হৌগদবা জনুৱারী ২৫ দা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা য়ুম্থু ওইরগা কোচিদা এটলেটিকো দি কোলকতাগা লম্বা তৌনগনি। অদুগা লীগ অসিগী অরোইবা মেটচ ওইনা মার্চ ৩ দা এটিকে অমদি দিল্লি দাইনামোস শান্নগনি। লীগ অসিদা বেঙ্গালুরু এফসিনা মেটচ ১১ শান্নবদা পুন্না পোইন্ট ২৭ ফংদুনা টেবলগী মকোক ওইরি।

## শান্তি মিনাগী পাঞ্জল অনীনা ভেলেন্সিয়া কোপা দেল রেগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌহনখ্রে

*ভেলেন্সিয়া, জনুৱারি ১৬ঃ*
স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কোপা দেল রেগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা লেগকী মেটচ অমদা ভেলেন্সিয়াগী শান্তি মিনাগী পাঞ্জল অনীনা স্পোর্টিং গিজোনবু ৩–০ দা থোইদুনা এগ্রিগেটতা ৪–২ দা হেন্দুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টিম অনী অসিগী অহানবা লেগতা স্পোর্টিং গিজোননা ভেলেন্সিয়াবু ২–১ দা থোইখিবনি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ৬৫শুবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোই শান্তি মিনানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। ৭৬শুবা মিনটতা শান্তি মিনানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি। মেটচকী অরোইবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা ফেরান টোরেজনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেটচ অদু ৩–০ দা মায় পাকপদগী এগ্রিগেটতা ৪–২ দা হেন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

গেটাফে অমদি রিয়েল ভাল্লাদোদি অনীশুবা লেগতা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রবসু এগ্রিগেটতা গেটাফেনা ২–১ দা হেন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## হোং কোং অমদি ইন্দোনেসিয়াগা শান্নগদবা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম লাওথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৬ঃ*
কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক ক্বালিফায়র্স রাউন্দ টু দা শরুক য়ানদবগীদমক শেম শাবা ওইনা ইন্দিয়ানা হোং কোং অমদি ইন্দোনেসিয়াগা শান্নগদবা ফ্রেন্দলি মেটচ ৪ দা শরুক য়াগদবা লৈবাক অসিগী নুপী ফুটবোল শান্নরোই ২৫ গী মমিং ঙসি লাওথোকখ্রে।

২০২০ টোকিও ওলিম্পিক ক্বালিফায়র্স রাউন্দ টু অসি চহী অসিগী এপ্রিল ১ দগী ৯ ফাওবা শান্নগদৌরি।

হোং কোংগা অহানবা মেটচ জনুৱারী ২১ দা শান্নরবা মতুং অনীশুবা মেটচসু থা অসিগী ২৩ দা শান্নগনি। ইন্দোনেসিয়াগা শান্নগদবা অহানবা ফ্রেন্দলি মেটচ জনুৱারী ২৭ তা শান্নরবা মতুং থা অসিগী ৩০ দা অনীশুবা মেটচ ওইনা লম্বা তৌনগনি।

ফ্রেন্দলি মেটচশিং অসিদা শরুক য়াননবগীদমক খনগৎখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল শান্নরোইশিং অদুদি– গোলকিপরদা অদিটি চৌহান, এম লিন্থোইঙাম্বী দেবী, সোমিয়া নারায়ানস্বামী অমদি শ্রেয়া হুদানি।

দিফেন্দরদা আসালাতা দেবী, স্বিটি দেবী, জাবামনি টুদু, দালিমা ছিব্বর, লাকো ফুটি, মাইকেল কেষ্টানহা অমদি পোলি কোলিনি।

মিডফিল্ডরদা সঙ্গিতা বাসফোর, সঞ্জু যাদব, সুমিথ্রা কামারাজ, রঞ্জনা চনু, ইন্দুমাথি কাথিরেসান, রঞ্জিতা দেবী অমদি মনিসানি।

ফোরৱার্দতা রোজা দেবী, অঞ্জু টামাং, রতনবালা দেবী, পিয়ারি জাজা, দাংমৈ গ্রেস সন্থিয়া আর অমদি মমতানি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 40/SDC/B/IE of 2019

Thokchom Dinesh Singh S/o (L) Th. Ibomcha Singh of Kyamgei Maning Leikai
Petitioner
-Vs-
Thokchom Ibomcha Singh S/o (L) Tomba Singh of Kyamgei Maning Leikai
Pattadar

**NOTICE**
Bashikhong, the 16th January 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৬৮–কিয়ামগৈ পাট্টা নং ১৬২ অনৌবা দাগ নং ৬২৯ মোট এরিয়া ০.২৬ একর চাওবা লৌফম অসিগী পট্টাদার থোকচোম ইবোমচা সিংহ পীং মৃঃ তোম্বা সিংহ সাং কীয়ামগৈ মনীং লৈকাইদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা লৌফম শরুক অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নামা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিল্লবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

SL/Bill(R)/17(A)



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 39/SDC/B/IE of 2019

1) Laishram (O) Tombiyaima Devi W/o (L) Raghumani Singh of Ningomthong Lilando Lampak
2) -do- Mamata Devi D/o (L) L. Tomba Singh of -do-
3) -do- Malemnganbi Devi D/o (L) Raghumani Singh of -do-
Petitioners
-Vs-
Laishram Raghumani Singh S/o (L) Tomba Singh of Lilando Lampak Thongju Part-I
Pattadar

**NOTICE**
Bashikhong, the 16th January 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৫৮–থোংজু পাট্টা নং ১৩২৩ অনৌবা দাগ নং ১০৯ / ১৬২৮ মোট এরিয়া ০.০৭ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার লাইশ্রম রাঘুমনি সিংহ পীতা মৃঃ তোম্বা সিংহ সাং নিংঙোমথোং লীলান্দো লম্পাক থোংজু পার্ট–টুদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল শরুক অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নামা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিল্লবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

SL/Bill(R)/17(B)



**A SUNSHINE PHYSIOTHERAPY CLINIC**

SINGJAMEI MAYENGBAM LEIKAI
NEAR US ACADEMY, IMPHAL WEST

**Treatments**
- Fracture
- Frozen Shoulder
- Neck & Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis (Hip, Knee joints, Gout)
- Stroke
- Bell's Palsy
- Other neurological Conditions

**Instruments**
- Tens
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Paraffix wax bath
- Muscle stimulator
- Laser Therapy
- Tread Mill
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball
- Ankle Exerciser
- Static Cycle

Sunday - on appointment only

Home visit available

Visiting Hours
8 AM. to 12 Noon. & 2 PM. to 5PM.

Please Contact:
Dr. Sougrakpam Roshini (MPT)
Phone No. 9089679415 / 9899141163
Email- asunshine489@gmail.com

SL/BILL/Alt/30 Days upto 3rd Feb. 2019



**PALACE DENTAL CARE**

Wangkhei Angom Leikai, Opposite to Thangal Temple
Imphal East

Newly Open

Newly Open

* Free consultation & 50% discount on all treatments upto 20th Jan. 2019

**Treatments available:-**
1. Scaling & Root Planning.
2. Filling, RCT, Pulpectomy, etc.
3. Crown & Bridge.
4. Extrations.
5. RPD, FPD & Complete Dentures
6. Braces & Orthodontic treatments. etc.

Sunday
8 AM. to 12 Noon.

Visiting Hours
8:30 AM. to 4:30 PM.

X-ray available

For more details
Please Contact:
Dr. Laishram Sulochana Devi (BDS)
Phone No. 8787891896 / 9774011715

SL/P/Alt/30 Days from 6-1-19


ক্রোসৱার্দ ৪৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | C | A | D | | A | T | L | A | S | | U | S | D | A |
| A | R | E | A | | I | R | I | S | H | | G | O | A | L |
| W | O | R | K | S | L | I | K | E | A | C | H | A | R | M |
| S | C | O | O | T | | L | E | A | S | H | | P | E | A |
| | | | T | E | L | L | S | | T | I | A | | | |
| T | O | M | A | T | O | | | D | A | L | L | A | S | |
| U | Z | I | | | N | O | T | E | | D | I | D | O | S |
| T | O | T | H | E | G | R | I | N | D | S | T | O | N | E |
| U | N | T | I | L | | S | O | S | O | | | P | I | T |
| | E | S | K | I | M | O | | | S | K | E | T | C | H |
| | | | E | X | O | | T | H | E | I | R | | | |
| E | F | T | | I | N | T | R | O | | E | N | T | R | E |
| L | A | B | O | R | T | H | E | O | B | V | I | O | U | S |
| A | C | A | D | | H | A | S | T | A | | E | R | S | T |
| N | E | R | D | | S | I | S | S | Y | | S | I | T | E |